ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯊꯥꯡꯖ, ꯖꯅꯨꯋꯥꯔꯤ ꯰꯲, ꯲꯰꯲꯱, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯴ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯲꯷꯶ ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
থাংজ, জন্যুৱারী ০২, ২০২১, ইম্ফাল
৪৪শুবা চহী, ২৭৬শুবা মশীং

# দিষ্টর্ব্দ এরিয়া ষ্টেটস শাংদোকখিবা

### টুরিষ্ট লাকপগী চাং হেনগৎহন্ননবা দিষ্টর্ব্দ এরিয়া ষ্টেটস লৌথোকপা মথৌ তারি

ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল এরিয়া নত্তনা মণিপুরগী অতৈ মফমশিংদা চৎনরিবা দিষ্টর্ব্দ ষ্টেটস অসি কুমজা ২০২০গী দিসেম্বর ১দগী হৌরগা চহী অমা অমুক শাংদোকখ্রে। দিষ্টর্ব্দ এরিয়া ষ্টেটসকী মতম শাংদোকখিবা অসিগা মরী লৈননা মণিপুর লৈঙাক্কী স্পেসল সেক্রেটরি (হোম) ঐচ গ্যান প্রকাশনা হৌখিবা দিসেম্বর ১৭তা নোটিফিকেসন অমা থোকখ্রে। দিষ্টর্ব্দ এরিয়া ষ্টেটস অসি হান্নগী রিভিয়ু ইতৌ তৌদনা মতম-মতমগী ওইনা শাংদোকহন্দুনা চৎনহল্লম্বনি। অদুবু হৌজিক্তি সুপ্রীম কোর্টকী য়াথং মতুংইন্না মতম-মতমগী ওইনা রিভিয়ু তৌরে। মণিপুরগী ওইনা কুমজা ২০০০দা ইহান হান্না রিভিয়ু তৌখিবনি। হন্দকসু ষ্টেট কেবিনেট মীফম্না রিভিয়ু তৌদুনা মতম শাংদোকহনবদা অয়াবা পীখিবনি। ষ্টেট অসিদা তোঙান-তোঙানবা খুৎলায় পায়বা লূপশিংনা ভাইওলেন্ট ওইবা থবক থৌরমশিং চত্থরকপা মরম্না আর্মদ ফোর্সেসশিং শীজিন্নবগী তঙাইফদবা লৈরি হায়না লৈঙাক্না লৌরি। অদুমকপু মীয়াম্নদি আর্মদ ফোর্সেস (স্পেসল পাৱরস) এক্ট, ১৯৫৮কী সেক্সন-৩গী মখাদা দিষ্টর্ব্দ এরিয়া অসি থল্লিবনি। এক্ট অসিগী মরুমদা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা মীওইবগী রাইট খোঙ্গাওনবগী থবক কয়ামরুম চত্থে হায়না পেন্দবা ৱাফম কয়া ফোঙদোকপগা লোয়নননা এক্ট অসিবু লৌথোকউ হায়বা খোল্লাউ কয়া লাউরিবনি। ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল এরিয়াদা লৈবা এসেম্বলী সেগমেন্ট তরেৎ নত্তনা মণিপুরগী অতৈ মফমশিংদা চৎনরিবা আর্মদ ফোর্সেস (স্পেসল পাৱরস) এক্ট, ১৯৫৮ অসিনা মরম ওইরগা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা মীফা-মীপুন, থি-হুন্বগী থবকশিংসু লেপ্তুনা চত্থরি।

ষ্টেট অসিদা লৈরিবা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিং, মৈরা পায়বী লূপশিং অমদি মীয়াম্না আর্মদ ফোর্সেস (স্পেসল পাৱরস) এক্ট, ১৯৫৮ অসি লৌথোক্কনবা চহী কয়াগী মমাঙদগী দিমান্দ তৌদুনা লাক্লি। এক্ট অসিবু লৌথোকউ হায়বা দিমান্দ তৌরদুনা মৈরা পায়বী লুচিংবশিংনা ফি থোংদনা খোঙজং চঙশিনখিবা ফাওবা লৈখ্রবনি। চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা এসেম্বলী মীফমদা আর্মদ ফোর্সেস (স্পেসল পাৱরস) এক্ট লৌথোকপা হায়বসি ষ্টেট লৈঙাক্কী খুৎতা লৈ। অদুমকপু ষ্টেট লৈঙাক্না লৌথোক্লুরগা জম্মু এন্দ কাশ্মির অমসুং নাগালেন্দদা সেন্টরনা অমুক থমজিল্লকখিবগুম মণিপুরদসু থমজিল্লক্লোই হায়নিংঙাই লৈতে হায়না ফোঙদোকখিবা লৈখ্রবনি। অমরোমদা মীয়াম তীনবা থবক থৌরমশিংদদি মণিপুর লো এন্দ ওর্দরগী ফীভম ফগৎলে হায়না বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা ঙাইহাক লৈতনা লাউরি। হন্দক্তা হাপ্তা কাংজৈবুংদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদসু য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা মণিপুর য়াওনা অৱাং নোংপোক লমদমদা খুৎলায় পায়বা লালহৌলূপশিংগী ঈরাং নেমথখ্রে। চাউখৎপগী থবক পায়খৎপদা ঈচাউ থোক্লে হায়না ফোঙদোকখিবনি। মতাং অসিদা হায়নিংলিবা ৱাফমদি মীয়াম তীনবা থৌরমশিংদনা লো এন্দ ওর্দরগী ফীভম ফগৎলে, লালহৌবগী ঈরাং নেমথখ্রে হায়না ঙাইহাক লৈতনা হায়রগা দিষ্টর্ব্দ এরিয়া ষ্টেটস লৌথোকপা ঙমদবা অসি করিগীনো হায়বদুমদি মীপুম খূদিংমক্না হংনরিবা ৱাফম অমনি। দিষ্টর্ব্দ এরিয়া ষ্টেটস থম্বা অসিনা ষ্টেট অসিদা ফোরেন টুরিষ্টশিং লাকপগী চাংসু হন্থহল্লি হায়না অখণ্ড-অহৈ কয়ানা ফোঙদোক্লখ্রে। ষ্টেট অসিদা টুরিষ্ট লাকপগী চাং হেনগৎহন্ননবা তঙাইফদনা দিষ্টর্ব্দ এরিয়া ষ্টেটস লৌথোকপা মথৌ তারি।

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

# য়ু কেদগী লাকখিবা মণিপুরী মচা অদু অনৌবা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরমদবা ওইসনু

**ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,**

চাওরাক্না চহী ১ রোম কোভিদ-১৯গী লায়না লাইচৎনা মরম ওইদুনা লোকদাউনগী অৱাবা অমদি চান-থক্লবা মতীক চানা ফংদবগা লোয়নননা নোংমগী থবক শুবা ফংদবদগী ৱারবা লমদম অসিগী মীয়াম্না কোভিদ-১৯গী হীদাক পুথোরক্লে তাবদা তশেংনা হরাউখি। হীদাক অসি মালেমগী অতোপ্পা তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংদা শীজিন্নবা হৌখ্রবসু ইন্দিয়াদদি ঙসিসু শীজিন্নদ্রি। অদুম্মকপু অথুবা মতমদা ইন্দিয়াদসু কোভিদ-১৯গী হীদাক শীজিন্নবা হৌরগনি হায়বগী পাউ তারি। অদুবু লাইবক থীবদি চৈরক অসিদা কোভিদ-১৯গী অনৌবা য়াম্না কন্না লৌনগনবা লাইওং অমা মালেমগী তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংদা শন্দোরকখিদুনা ঙসিদি ইন্দিয়াদসু য়ৌরকখ্রে। অনৌবা কোভিদ-১৯গী লায়না য়াম্না কন্না শন্দোক্লিবা য়ুনাইটেদ কিংদম (য়ু কে)দগী মণিপুরী মচা অমা লাকখিবা অদু অনৌবা কোভিদ-১৯না নাদবা ওইরমসনু। মরমদি করিগুম্বা লায়না অদুনা নারম্লবদি মণিপুরদসু শন্দোরকপা য়াবগী অকিবা লৈ। লৈঙাক্না কোভিদ-১৯গী এস ও পি শেমদুনা চৎন-কাঙলোন ঙাক্লবা কয়া হোৎনরবসু ঙসি ফাওবদা মপূং ফানা চৎন-কাঙলোন ঙাকপা ঙমদ্রিবা লমদম অসিদা য়াম্না লৌনগনবা লায়না অসি শন্দোরক্লবদি অকিবগী মশক ওইগনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। ঙসি-ঙসিমকসু বাই-বাই অমদি ন্যু য়রগী থৌরম কয়া মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা চিক্না-চায়নবা ঙমদনা পাঙথোক্লখি। অসিগুম্বা কোভিদ-১৯গী লুরবা তাল্লক অসিদা ঙসি ন্যু য়রগী কোয়বা লাকপা মীওইশিংনা মণিপুরগী গার্দেন খরদদি মী য়াম্মনখিবনা চঙবা ফাওবদা অকিবা ফাওনখিবগী থৌদোক থোকখি। য়ু কেদগী লাকখিবা মণিপুরী মচা অদু মহাক্কী সেম্পল লৌদুনা পুনেদা লৈবা লেবতা টেষ্ট তৌনবগী থাখি হায়বগী পাউ মীয়াম্না তানরি। মরম অদুনা চপ চাবা টেষ্টকী রিপোর্ট খঙদ্রিবা ফাওবদি লোয়নননা লমদম অসিদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবগী চাং হন্থরক্ত্রিবা ফাওবদি ঐখোয় পূম্নমক্না লৈঙাক্না শেন্বা কোভিদ-১৯গী চৎন-কাঙলোনশিং অমদি এস ও পিশিং ঙাক্না চৎপগী তঙাইফদবা লৈ হায়জনিংই।

*অদোমগী - থোকচোম রানীতোম্বী, খুরাই লম্লোং*

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৯

১) "কমদৌনা ওকচগদগে অনৌবা চহীবু/মংগারকপগী চোৎলবা ফিজোলসিদা/মৈরীনা কোয়শিল্লক্লিবা লমদমসিদা?" মণিপুরগী অফাওবা স্কোলর অমসুং কবি অমনা হায়রম্বনি। কবিদু কনানো, কদাইদা (য়াওফম) হায়রম্বনো?

২) মণিপুরগী শক্নাইরবা কবি অমগী সাহিত্য একাদেমি এৱার্দ ফংখিবা লাইরিক অমদা য়াওবা শৈরেং মতেকনি পীরিবা অসি। কবি কনাগী করি লাইরিক্কী করম্বা শৈরেংদগী লৌথোরকপনো? - "নাপনগা লোয়নননা/থাজরুই ঐনা/পুন্সিবু থৌরি হায়না ঐনা/মথক্তা তোংদুনা শগোল থৌবগুম।/অদুবু থংনবা মীৎকুপ্তা/পুন্সিনা চোংশিল্লক্তুনা নম্মী ঐবু;/পুনত্রে তুই ঐহাক লৈমায়দা/হাইহৎতুনা,/পুন্সিনা থৌরকই তোংদুনা ইথক্তা/লোংনা তারিবা ঐগী।"

৩) "লুপথখ্রবা হিনাউ" হায়বসি করম্বা মখলগী কনানা ইবা লাইরিকনো অমসুং অহানবা ওইনা করি চহীদা ফোঙবগে?

৪) "সন্ধ্যা থাউমৈগী মৈরী' হায়বা লাইরিকসি কনানা ইবা করি লোলগী লাইরিক্তগী কনানা মণিপুরীদা হন্দোকপনো?

৫) "চায়নরোল" হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মতমদা ইরম্বনি হায়না লৌনবগে?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জন্যুৱারী ১৫, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়নননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# কেলেন্দর খক্তমক শিল্লগা

## ৱাইরু-ৱাইরুবদা




অঙাং ওইরিঙৈদা অকাশবানি ইম্ফালগী লীলা কয়া লেপ্তুনা তারকই। মোইরাংথেম ইনাওনা ইবা লীলা কয়া চিত্থবা লৈতনা তাখি। রেদিও লীলাদা পুমঙাও ঙাওহনখিবদি মোইরাংথেম ইনাওখক্তনি ঐগীদি। লীলা অমদি অইবা অনী তূনা নীংশিংবা ঙম্মী।

কৈদৌঙৈ লোইগনি ইমুংগী লাঞ্জাওসে? মোইরাংথেম ইনাওগী ফাগি পুবা কাউঙমদ্রবা লীলানি। লীলা অসিদা লৈখিদ্রবা হুইরেম মংলেম অমদি ৱাংখৈরাকপম চন্দ্রশখি অনীগী অৱায় অখুম পুন্সিগী অশেংবা শক্তম উৎলি। অশেংবা ঙাঙমন্দুনা, থম্মোয়গী অশেংবা ৱাদু অপন অরাক লৈতনা ঙাঙথোরকপদা ঐখোয় অতাবশিংনা ৱা-ৱা নোকই। ফাগি হায়রিবসি ফাগি নত্তে, ফাগি হায়বসি অশেংবনি। ফাগিদা অরানবা য়াওদে। ওইদবা ৱানা ফাগি তৌবা নোকউ য়াদে। ওইদবা ৱানা ফাগি তৌবদা, ফাগি তৌদ্রসু পংনোক্তা নোকপা, খূবাক পংখুদা খুবদি পাৱর পায়বা মীনা ৱা ঙাঙবনি। থবক হাপ্পা ঙম্বা, ঠিকা পীবা ঙম্বা মীনা ঙাঙবা ৱাদা তানীংই খঙদে তানীংদে খঙদে, নুংঙাই খঙদে, নুংঙাইতে খঙদে নোকপীবা, খূবাক খুগনবা অসি তাইবঙ খূবাক্কী হৌনশানি লিরবা।

মোইরাংথেম ইনাওগী 'কৈদৌঙৈ লোইগনি ইমুংগী লাঞ্জাও সে' হায়বা লীলা অদুদা হুইরেম মংলেম্না অনৌবা চহীনা করিসু নুংঙাইবা পুরক্তে, হেপ্পি ন্যু য়র হায়বসে করিসু নুংঙাই য়াইফবা পীদে হায়না ঙাঙবা দাইলোগ অমা য়াওখি। ৱাহৈশিংদুমক্তি নীংশিংবা ঙমজদরে। ৱাহৈশিং অদু তাবদা থম্মোয়দা পেনখি। হৌজিক ঐসু হেপ্পি ন্যু য়র কয়ারক তাখ্রে। ঐনা পোকপগা তাইবঙ মীরোল খঙদুনা লৌশিনবা ঙম্না তাবা ওইরম্লবদি হেপ্পি ন্যু য়র য়াঙ্খৈহুমদোইরক্তি তাবা ফংলে হায়বা য়াবনি। অদুবু অঙাং ওইরিঙৈ পীক্তা পীক্লিঙৈ ৱাখল তাদ্রিঙৈ মতমদা তাখিবা অদুমদি তাবা ওইনা পল্লুবা য়াদ্রে।

অনৌবা চহীনা করিসু পীবা ঙমদে নুংঙাইবা। অনৌবা চহীনা পীবা নুংঙাইবা অমা হায়রগদি পিকনিক চৎপগী নুংঙাইবা তারে। এঞ্চাং অহাওবা চাবা, পামজবা-পামজবী মশেল উনরগা ফোটো কাপমিন্নবা নুংঙাইবা গাড়ীদা তোংদুনা চৎমিন্নবা ঙাওমিন্নবা থকমিন্নবা। শা, ঙা, য়েন চামিন্নবা। অনৌবা চহীনা মসিদগী হেনবা নুংঙাইবা অমত্তা পীরক্তবা কুইরে।

অনৌবা চহীনা টোটি তাহনবা ঙমদে। লম্বী নুংঙাইহনবা ঙমদে। অনৌবা চহীনা লায়রবা কোকহনবা ঙমদে, থবক পীবা ঙমদে। পোৎ মমল হোঙহনবা ঙমদে। অনৌবা চহীনা ফী তাহনবা ঙমদে। অনৌবা চহীনা মৈ নুংঙাইহনবা ঙমদে। অনৌবা চহীনা অনা লায়েংগী লম্দা ফী হোঙদোকহনবা ঙমদে। অনৌবা চহীনা থাও অমদি গ্যাসকী মমল তাহনবা ঙমদে। হৌনবী ওইনা অমনা অমদা ৱীশ পংপীদা পীনবা হেপ্পি ন্যু য়র অসুম্না চয়োল অমা অনী তৌরম্লগা অদুম ঈংথনখ্রনি। থোইদোকপা মশক থোকপা অনৌবা নুংঙাইবা, য়াইফবা, কান্নবা চাওখৎপদি অনৌবা চহীনা ইপি হেক পীবা ঙম্লক্ত্রি। থোইদোক্না লায়রজবা ঐখোয়দদি অনৌবা চহীনা য়াইফবা পুরকপগী মহুত্তা শোকপন্দুম হেল্লি। ফক্লাংদা থেৎলম্বা অরিবা চহীগী কেলেন্দর মথক্তা অনৌবা কেলেন্দর অমনা ননশিল্লগা থেৎচিনবা অসিখক্না অনৌবা চহীগী অনৌবা অহোংবা শকফম অদু ওইরি।

ৱীশ পীবখক্না অহোংবা পুরকপা ঙমদে। চাওখৎপা নুংঙাইবা অহোংবা হায়বা অসি ৱীশ পীবখক্তনা য়াদেমক হায়বসি হৌজিক্তি খঙবা মথৌ তারে। লায়রবসু ইনাকখুনবসু অচৌবসু মচাসু মসি লোইনা খঙদ্রিবরা খঙশিন্নদ্রিবরা অমা তৌরে। আশাগী মচু তৈরবা অনৌবা কেলেন্দর কয়া থেৎখ্রে, নুংঙাইবদি, য়াইফবদি মী খরখক্কী মখূৎতা তূংদুনা লৈরি। মীচম মীয়াম্না ভোটরগী থাক্তগী ইহেন হেন্দ্রি। য়ূমদি কিন্থরক্লি, ফক্লাং মন্থরক্লি, থেৎচিন্নরি অমনবা ফক্লাংদা অনৌবা কেলেন্দর।

নীংশিংলকই মোইরাংথেম ইনাওগী লীলা কৈদৌঙৈ লোইগনি ইমুংগী লাঞ্জাওসে, লীলা অদুগী দাইলোগ হেপ্পি ন্যু য়র, অনৌবা চহীনা চাওখৎপা, নুংঙাইবা করিসু পুরক্তে। অনৌবা চহী লাকপা খুদিং ঐনা কাকা মোইরাংথেম ইনাওবু নীংশিংদুনা লৈরগনি। ●

# মিংথোন লানবগী কান্নবা লৌবা - ২

## নবকুমার ওইনা

ম্যান্মারদা লৈবা মৈতৈ মচাশিং মমিং অনী-অনী কৌনৈ। অমনা ম্যান্মার লোলনি। মদু নৎত্রবদি খুদোংচাবা পীদে হায়রি। লমদম অসিদনা কৌনীংবা কৌবদা ফোরেনগী মীং ঙাক্তনা চীংথক-চীংখোং নিল্লে। ঐখোয়না শিংবা ওইরগনা ম্যান্মারনা পঙবা ওইগদৌরি। মৈতৈশিংদু ম্যান্মার ওলহনবনি। ঙসিদি দেমোক্রেসি চৎলবা ম্যান্মারদা মৈতৈশিংগী মমিং করি কৌনবা তারি। পাঙদবগী মীংথোন মথোং নাইবা হৌনদে। ইপু তরেৎনা মীরোৎ ওইখিবা লমদমনি, মীচেন্নিদি হায়নীংদে। হৌজিক অমুক হল্লকখিনি হায়রিসিবু মী ওইনা হল্লক্কদৌবা নত্তে, ৱাখল্লোন ওইনা হিংগৎলক্কদৌবা ওইরিনি। ঙসি ফাওবদি পাউ ফাওনবা মান্দ্রি। লাইদৌনা অসুম খল্লগা মীদৌনা হল্লকপা হৌনদে। ফোটোবু থেৎলবদি লাই হেক্তা মাল্লকই, ফক্লাংদা লাই থেৎপা হায়রিবনি। 'মীতৈ চৎপা' হায়বসিনা সনামহী লাইনীং চৎপা হায়বা ওইনা ঙাঙনরি। মৈতৈনা মৈতৈ খরদা 'মীতৈ চৎপা' হায়বা তারবদি হায়রিবা মীশিংদু মৈতৈ নৎত্রবরা? খুমন মচারা, মোইরাং মচারা, বেঙ্গোলি মচারা হংবা তাবনি। হৌজিক্তি পুনবা-পুনবা হায়রগা কনাবু মৈতৈ কৌরি খঙজিল্লক্তরে, খরনা মণিপুরী হায়রবদি পুল্লবনি হায়রি। মৈতৈবু মণিপুরী ওইনা খনবগী ৱাখল্লোনগা ফুরুপ খরা হন্দোকপগী ৱাখল্লোনগা থৌরি চিংনরি। মমৈথংদা মীতৈ হায়বদি চীং-তম পুল্লবনি হায়বসু য়াওরি। মণিপুরী হায়বদি লোইনমক য়াওরে, ফুরুপ (জাৎ) ওইনদি নত্তে, ষ্টেট সিটিজন ওইনদি য়ানরে। মদুসু মমালোন্দা নত্তে, মীতোপ্পা লোনয়ান পুশিল্লকখিবগীনি হায়গদৌরিব্রা? চারোল তরেৎলক লমদম অসিগী মচা-মশু ওইনা পোল্লুগা লমদমসিগী নাট ঙাকপা ঙমদ্রিবা করিগীনো? লান্মী ওইবগী ৱাখল মাঙদবগীরা? থকসি-খাসি য়াওদবগীরা হংনবা য়াওনরক্কনি। তন্নদ্রবা লোনগী ৱাহৈশিংগী ৱাহন্থোক খঙনরক্তবনি। ম্যান্মারদা, বাংলাদেশতা মৈতৈ মুৎশিল্লক্লি, লমদমসিদসু মৈতৈ মুৎশিল্লক্লি (মীংগী ওইনা)। মৈতৈদা কুইনা হিংনবগী লিচৎ য়াওজদে হায়বসি মীংথোন্দগী খঙলগা থবক খূৎশুদসু অদুমক মমি তারি হায়গনি। অনীমক ৱাখলগী থাক্তু থবক ওইনা উরকপনি। মীংথোন হায়বসিসু খুন্নাইলোনগা অনকপা মরী লৈনরিবনি। লোনগী য়ূন্বী অমসু ওইরিবনি। চয়ান-খয়ানগী ৱাখল খনবশিংনা খুন্নাই অমগী খোয়দৌদা চক-চক হনবা তারবদি অমা শিয়ু অমা হিংগে হায়বনি, অদুমক ইখঙ খঙনবা ৱানি।

লোনসি ফজবা-ফজদবা মিং লাওবদা য়াওরিবনি। মীতৌ তম্বদা চুনদবা কয়া লৈরি। তোইজম চাউবা হায়বসি অশন্বী য়ূম্নাক হায়রগা চাউবা হায়না লাউবা য়াদে হায়বসি টেলিভিজন্দা, রেদিওদা, মাইকতা, মাইক্রোফোন পায়বশিংনা খঙগদৌবা লমদমসিগী নাটকী মনুং চল্লিবা থৌগল্লোনগী কাঙলোন অমনি। চাউবা মৈতৈ হায়রগনা মৈতৈ পাওথোক্লিবনি। শাগৈদু মচা মালহনবা নৎত্রগা মীতোপ্পা কৌবীবা মাল্লকইবনি। সনামহী লাইনিং চৎপা ওইনা কৌবা ওইরগনা লাইনিং চৎপবু হন্থনা য়েংবা মিঙ্গৌনি। মীং কৌনবদা সেক্যুলরিজম য়াওদবনি হায়গনি। ইলিগেল ওইনা লৌগনি। নাটকী ওইবা ৱাখল্লোন ৱাংবা অমসুং ৱাংদবা হায়বসি মীঙ্গৌ থাগৌদগীসু খঙনরিবনি। ইয়া-ইমাক কৌবদা শোয়জিল্লক্লি, মনেমবোক্তা অবোক কৌবা ইকায়নরে। খরা অসি নত্তবা কয়াসু লৈরিবনি।

মীঙ্গৌ-থাগৌ ফাওবা কায়থরক্লবা হায়বসি খুন্নাই অমা কায়থরকপগী অয়ৌবা থাক য়ৌরবনি। য়েক সলাইগী ৱাফম মপূং ফানা শাগৎপা ঙমদ্রি (ফুরুপ খুদিংদা) চারৌ-মৌরৌনবদা য়েক্কী শক্তম ঙাকপা ঙম্লক্তবগী ৱাফম লাক্লি। ইমুংদনা লাই অমা মপান্দনা লাই অমা লাইনিংনা মমিং অমা, লমদমসিগী মীয়ামসিমুক মিংথোন চুমদবসিবু মফম কদায়দা লৈরমখিগদগে। মসিমক লৈবাক মচা তাবগীনি হায়না লৌবদি লানগনি। ফুরুপ অমা ওইবগী মিংনা অমা, নাট খরনা মালেম শিনবা থুংনা শন্দোকপা ঙম্লবনি হায়না হরাওরুবগী কান্নবনা করি। মৈতৈনি হায়দবশিং মিংগী মমৈদা ফাওবা নপচরিবশিংনা করি ঙম্লিবা, করি উরিবা। হোৎনদবশিংগী করি মীংচৎ ফংনীংঙাই লৈরি, মীকিথীশিংগী অৱাবদি মী কিব্দুনি, থবক ঙম্বশিংগীদি লাই লৈ, পাঙদবশিংগী লাই লৈতে। পাঙদবশিংগী লাই ওইবসু মীংচৎ থীনীংঙাইনি।

মিংথোনগা চুন্দবগী ৱাসি লৈঙাক্তা ফাওবা মমি তারক্লি। ভোট কাবনা পার্টি অমদা, লৈঙাক পায়বদনা অমদা য়াওবা য়াওরক্লিবসি মালেমদা অনৌবা অমা ওইনা রেকোর্দ লৈরদৌবনি। ফজবা শারগা ঙাঙলিবশিংনা কোকহনবা ঙমগদৌবা লৈত্রবনি। ইশাগী ইমীংগী ৱাহন্থোক খঙদবা ঙম্বদগী লাইনীং ফাওবদা মমি তারকপদুনা লৈঙাক পায়বদা ফাওবা পার্টিগী মিং হোংদোক হোংজিনগী ইকায়বা হায়বদু লৈরক্ত্রবনি। মসিমক মোরেলগী থাক অমনি। মোরেল তম্বীরিবা স্কুল-কোলেজ ফাওবদা মীং লানবগী ৱাথোক, মীং ৱায়রগা থবক তৌরম্বগী ৱাথোক ময়াম অমা লৈরি। তশেংনা হায়রবদি মমিং চুমদবশিংগী খুন্নাই অমা শাগৎলগা মীওই খরনা কান্নবা লৌরিবা লমদমনি। মসিমক্তি হৌদোং মথী উৎনা খুম্বা নত্তে চাকথোং চফুদা বোম হাপচিনবনি। ঙক্লিবনা মদুদা থৱায় লুপচবা য়াওনবসিনি।

খুন্নাই অমগী লৈশেম্বনি হায়বদি ময়াম থোক্লক্লে। মশাগী মিংদগী লৈবাক্কী মীং ফাওবা শেমদোকপা ঙম্বদি কদায়। মীওই খরনা পুৱারী ফাওবা লান্না তমশিল্লুবা য়াওরি। করিসু তৌবা ঙম্নদে, পংঙাঙ ঙাঙনরগা অদুম তোক্লখি। লৈশেম্বা য়াওরিবশিংগী মরক্তা থৌরি চিংনরি অমনা শোরো-শোরো লাক্তুনা চিংখিবগুম্বনি। ফুরুপ খুদিং মিংথোন শেমদোক্লবা হোৎনবদা হুম্মাং তানরি, ফুরুপ চাউনবা হোৎনবদা মী হাৎনরি, চাউনীংবশিং পিকশিল্লক্লি, অপিকপনি হায়বশিংনা চাউখৎলক্লি। মেজোরিটি ওইরম্বনা মাইনোরিটি ওইরক্লি। মাইনোরিটি ওইরম্বনা মেজোরিটি ওইরক্লি। মীংদি অদুম ৱায়নগনি, মমিং অনী শুবা ফুরুপ ময়াম অমা লৈরক্লি। মিং লান্না-লান্না কান্নবদি অদুম লৌনরি। লোন্দা খায়বরা, লাইনিংদা খায়বরা চমম্নরক্লি।

থায়নদি ফুরুপকী লান্দা থৱায় থানরম্মী, হৌজিক্তি মদুগী থাক্তা লৈবা য়ানরক্তরে। ফুরুপ্তা ঙাওবশিংনা রোবোট শারোই, রোবোট শাবশিংনা লাই অদুম ওইখিনি। থায়নদগী দোলাই অপাইবী তোংবশিংনা লাই অদুম ওইরমই। খরনা মী মানবা লাই লাৎহৌরি। লাইনীংনা ফুরুপ খায়বসু লৈরি, ফুরুপ ময়াম পুল্লবা লাইনীংসু লৈ। লাইনিংগী ফুরুপ মমিংনি হায়বসি লাল্লকই, কান্নবদি অদুমক লৌনরি। ফুরুপকী লৈবাক হায়বসু লৈররোই, মিংথোন হায়বসি এদ্রেশখক্তগী ওইনা লৈরক্লি। মিংথোন্দা ঙাওবশিংনা লৈবাক্তি থুগায়রি। ●

# হীদাক কান্নরবা পাম্বীশিং ঃ কেৱা

**– ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার –**
সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইন্সটিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ

ঙসিদগী চহী ৪০/৫০গী মমাঙদা কেৱা পাম্বী অসি ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদা অদুমক মরাং কায়না হৌরম্লবসু ঙসিদি থোইদোক্না ইউ-উশিল্লক্ত্রে হায়বদা লাল্লরোই। কেৱা হায়রিবা পাম্বী অসি ফুট ২০ ফাওবা ৱাংবা মনা অদুগী মতোন (Apex) অমসুং অকোয়বা (Margin) অদু য়াম্না থৌবা তিঙ্খাং পান্দুনা মনাশিং অদু মখোক্কী অকোয়বদা মরোল-মরোল লৈদুনা রোজেট (Rosette) কী মওংদা চপ য়ুংনা হৌবা অথোৎপা পাম্বী অমনি। কেৱা পাম্বী অসি ইংলিসতা সেঞ্চুরি প্লান্ট (Century plant) নৎত্রগা সেন্ত্রি প্লান্ট (Sentry plant) নৎত্রগা মেগুই (Megui), হিন্দিদা বন্স কিওরা (Banskeora), বেঙ্গোলিদা বিলাটিপাট (Bilatipat), সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা *এগেভ অমেরিকানা (Agave americana L.)* নৎত্রগা *এগেভ অলটিসিমা (Agave altissima Zumagl.)* নৎত্রগা *এগেভ কমপ্লিকাতা (Agave complicata Trel. ex Ochot)* নৎত্রগা *এগেভ ইনজেন্স (Agave ingens A. Berger)* নৎত্রগা *এগেভ পিক্তা (Agave picta Salm. Dyck)* নৎত্রগা *এগেভ রেমোসা (Agave ramosa Moench)* নৎত্রগা *এগেভ জোনাতা (Agave zonata Trel)* নৎত্রগা *এগেভ থিওমেতেল (Agave theometel Zuccagni)* হায়না কৌই অমসুং *এগেভেসী (Agavaceae)* শাগৈগী মনুং চল্লি। কেৱা পাম্বী মখল খরদি হিন্দিদা সিসল (Sissal) হায়না কৌই অমসুং মখল অসি ইন্দিয়াদা পাক শন্না থানবা মখলনি।

অমেরিকানা মখলগী কেৱা পাম্বী অসি ময়াম্না তোয়না অমেরিকান এলো (American Aloe) হায়না খঙনরবসু পাম্বী অসি অশেংবা এলো ময়াম্না ঘ্রিতাকুমারী (Ghritakumari) হায়বদি এলো ভেরা (Aloe Vera) অসিদগী য়াম্না তোঙাল্লি মদুদি শাগৈ ফাওবা খেন্নরে। অদুগা অমরোমদা কেৱা পাম্বী অসি সেঞ্চুরি প্লান্ট (Century plant) হায়নসু তোয়না কৌনরিবসি ময়াম্না পাম্বী অসি চহী ১০০ রোম পুন্সিরম্বা য়াই হায়না খন্নরবসু পাম্বী অসি চহী ১০দগী ৩০ ফাওবতমক পুন্সি। য়াম্না পূক্লিং চিংশিন্নিংঙাই ওইবা ৱাফম অমদি কেৱা পাম্বী অসি পাম্বী অদুগী মপুন্সিদা অমুকখক্তং লৈ শাৎলি অমসুং লৈ অদু শাৎলবা মতুংদা মপূং ওইবা পাম্বী অদু শিখিগনি। থৌওং অসি ৱা পাম্বীদসু থোকই। মপূং ওইবা পাম্বী অদু শিরবসু মদুগী মখোঙদা অপিকপা পাম্বী মচা কয়ামরুম হৌগৎলকই। অমেরিকানা হায়রিবা কেৱা মখল অসি মেক্সিকো, অমেরিকাগী এরিজোনা অমসুং তেক্সাসকী মফমশিংদগী হৌরকখিবনি হায়বগী পাউদম লৈ। হায়রিবা কেৱা মখল অসি ঙসিদি মালেমগী মফম কয়ামরুমদা লৈতেংগীদমক্তা অমসুং লং শুংনবগীদমক্তা পাক-শন্না থাখিদুনা মহৌশাগী ওইবা মওংদা হৌখরে। ৱেষ্ট ইন্দিজ, খা থংবা অমেরিকা, খা থংবা মেদিটরিনিয়নগী লমদমশিং, আফ্রিকা, ইন্দিয়া, চাইনা, থাইলেন্দ অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী লমদমশিংদা মহৌশাগী ওইবা মওংদা হৌবগী পাউদমশিং লৈ। ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদদি কেৱা পাম্বী অসি চীংখোং-চীংয়া অমসুং লৈপলদা তোয়না হৌগল্লি অদুবু ঙসিদি পাম্বী অসি ঐখোয়গী লমদম অসিদগী তপ্পা-তপ্পা মাঙশিল্লক্লি।

অমেরিকানা হায়রিবা কেৱা মখল অসি ইহান হানবা ওইনা কুমজা ১৭৫৩দা কার্ল লিনিয়াস (Carl Linnaeus) হায়রিবা স্বিদিশ (Swedish) কী বোটানিষ্ট অমসুং ফিজিসিয়ন (কুমজা ১৭০৭তগী ১৭৭৮ ফাওবা পুন্সিরম্বা) অসিনা শুগাইনা নৈনদুনা স্পিসিস প্লান্টারম (Species Plantarum) হায়রিবা জর্নেল অদুদা ফোঙখি। হায়রিবা কেৱা মখল অসিগী সবস্পিসিস (Subspecies) মখল অনী লৈ। মখোয়শিং অদুদি (ক) এগেভ অমেরিকানা অমেরিকানা (Agave americana spp. americana L.) অমসুং (খ) এগেভ অমেরিকানা প্রোটঅমেরিকানা (Agave americana spp. protamericana Gentry) অসিনি।

কেৱা পাম্বী অসি মীওইবনা হীরম কয়ামরুমদা শীজিন্নৈ। পাম্বী অসিগী মনাদগী লৌবা লং হায়বদি মশিং (Fibre) অসি লংশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী মগুন লৈবা অমদি অকনবা অমনি। হায়রিবা লং অসি মপাঙ্গল য়াম্না কনবা অমসুং মৈ চাকপগী চাং য়াম্না নেম্বা মরম্না মখল মখা কয়াগী পোত্থোকশিং মরু ওইনা ফি-রোল, থৌরি অমসুং ফি-রোল তুনবা লং শাবদা য়াম্না শীজিন্নৈ। কেৱাগী লং অসি ফাইবর নৎত্রগা প্লাষ্টিক্না শাবা থোঙ-থোঙনাওগী হুমাই শাবদা মপাঙ্গল কলহন্নবা (Enforcement) অমা ওইনা শীজিন্নবগী মথক্তা মৈ চাকপগী চাংসু হন্থহল্লি হায়বগী পাউদমশিং লৈ। কেৱা পাম্বীনা লৈ শাৎলমদাই মতমদা মখোক অদু অথৌবা থাঙ অমনা শৎ লাউনা ককপদা মশাদগী থোরকপা মহী অদু এগুৱামেল (Aguwamel) হায়বদি হনী ৱাটর (Honey water) হায়না কৌই অমসুং হায়রিবা মহী অদু পুমথহল্লগা (ফর্মেন্টেসন) শেম্বা মহী অদু মীওইবনা য়াম্না পাম্না থক্লবা পুলকে (Pulke) হায়রিবা মহী অসি শেম্নৈ।

কেৱা পাম্বীগী লৈদগী লৌবা খোইহী অদু ফ্রুক্তোজগী চাং য়াম্না য়াওবা অদুগা গ্লাইসেমিক ইন্দেক্স নেম্বা মরম্না মীওইবদা থোইদোক-হেন্দোক্না কান্নহল্লি অমসুং কৈথেলশিংদা মমল য়াম্না তাঙনা য়োল্লি। কেৱা পাম্বীদগী শুংবা চিনি অসি চা লোনবা অমসুং মখল মখা কয়াগী অচাপোৎ শাবদসু শীজিন্নৈ। কেৱা পাম্বীদগী শেম্বা পুলকে হায়রিবা য়ু মখল অসি অমেরিকাদা য়াম্না কুইরবা মতমদগী খুন্দাদুনা লৈরক্লবা মীওইশিংনা মখোয়গী ধর্ম্ম-কর্ম্মদা য়াওদবা য়াদবা পোৎশক অমা ওইনা শীজিন্নবগী পাউদমসু লৈ। লৈ শাৎখ্রবা মতুংদা কেৱা পাম্বীগী মখোক অদু মকক-মকক কক্লগা মৈদা লৌদুনা চানবগী পাউদম লৈ। কেৱাগী মমুন ফারবা মরূ অদু কংহল্লগা কূপ্না তকখায়দুনা শেম্বা য়াম অদু মীওইবনা মখল কয়াগী অচাপোৎশিং শাবদা শীজিন্নৈ। পাউদম অমগী মতুংইন্না কেৱাদগী শুংবা অথুম্বা পোৎশক অদু চুদগী শুংবা চিনিদগী শরুক অমা মখায় হেন্না থুম্মী।

হীদাক ওইনসু কেৱা পাম্বীগী শীজিন্নফম অদুমক লৈ। তরানিপালশুবা চহী চাদগী কেৱা পাম্বী অসি অশোক-অপন তৌবদা চৈনা হন্থহনবা হীদাক ওইনা শীজিন্নদুনা লাকপগী পাউদম লৈ। মৈনা পোকপদা কেৱাগী মনা অদু ককথৎপদা থোরকপা মহী অদু চাং নাইনা তৈবদা অশাবগী চৈনা অদু হন্থহনবদা নত্তনা উনশা অদু মহৌশাগী মওংদা পুরকপা ঙম্মী। কেৱা পাম্বী অসি চাকখাউ অমসুং থিবোং থিরিলগী অনাবদসু কুইরবা মতমদগী লায়েং হীদাক ওইনা শীজিন্নরক্লি। কেৱাগী মচুম অদু মখল খরগী উনশাগী লায়নাশিং লায়েংনৈ অদুগা ময়োন অদু পীজদুনা খোং হামথবা অমসুং হকচাংদা ঈশিং পৈখৎপা অদুসু লায়েংনৈ। ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদদি থাজন্নবা অমগী মতুংইন্না কেৱাগী মপাল শাৎপা মায়কৈ অদুগী তুংলোম থংবদগী নোং-নুংশিৎ শিৎকল্লি। কেৱা অসি শা-ষণ চঙদনবা ইঙ্খোলগী অকোয়বদা থানৈ। ●